সুনু অমসুং ব্লীচিং পাওদর খূৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ (ঐচএনএস): সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা ১১৩ বট্টালিয়ন বি এস এফকী কমান্দেন্ট হিদম সুবোল সিংহনা নিংথৌখোং ৱাটর সপ্লায় প্লান্টকী ৱাটর সপ্লায় মেন্টেনান্স এন্দ ওপরেশনেল কম্মিটিদা সুনু কে জি ১০০ অমসুং ব্লীচিং পাওদর কে জি ৯২৫ খূৎশিন্নখ্রে। হায়রিবা প্রোগ্রাম অসি প্রাইম মিনিষ্টরগী হর ঘর জল-জল জীভন মিশনগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপনি।

ঙসিগী থৌরমদুদা বিষ্ণুপুর এ সিগী এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজম, ধ্রুব সিংহ, দেপ্যুটি কমান্দেন্ট ১১৩ বট্টালিয়ন বি এস এফ লোয়ননা নিংথৌখোং ৱাটর সপ্লায় প্লান্ট কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি কেঐচ শ্যামকহ্নাই যাওনা মেম্বরশিংনা শরুক য়াখি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	89.282891
US Dollar	73.652900
British Pound	98.245908
Australian Dollar	54.566967
Chinese Yuan Renminbi	11.276048
Japanese Yen	0.707589
Malaysian Ringgit	18.085887
Singapore Dollar	55.077932
South Korean Won	0.067854
Saudi Arabian Riyal	19.640773
Thai Baht	2.451807
Myanmar Kyat	0.05592
Bangladesh Taka	0.86965

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	50083.00
Mumbai	–	Rs	49750.00
Delhi	–	Rs	49700.00
Kolkata	–	Rs	49995.00

GAS NEWS

KHORIPHABA NAMBOL
Bk.upto 26-10-20(sl.no upto 19214)
Mobile no : 9366471778, 8837349474
M/S BASHIKHONG INDANE
Booking up to : 26/10/2020
Valid from : 20/10/2020
Home Delivery Only....
Contact no: 9089709738, 8794622868
Office Timing: 8.00 am to 11am
Will be delivered for 3days
MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM to12:00 Noon
BOOKING : 31. 10.20
VALID : 20.10.20
FOR ALL THANGMEIBAND, LAMPHEL 8131852580, 9774722106, 9089370369
FOR ALL WAHENGBAM LEIKAI, KEISHAMPAT, KEISHAMTHONG, KHAGEMPALLI, KWAKEITHEL, GHARI, SANGAIPROU, CHANGANGEI, MALOM, YAISKUL, SINGJAMEI, KAKWA, HEIRANGOITHONG, HAOBAM MARAK, PISHUM, MONGSANGEI, LANGTHABAL, SAGOLBAND, TAOBUNGKHOK, PATSOI, YUREMBAM, SAGOLTONGBA, LANGJING, SALAM, LANGOL URIPOK, SINGDA, LAMDENG, AKHAM, MAYANG LANGJING 8131942156, 7630902992, 7627968997
FOR IMPHAL EAST AREA 7005281388, 6009885600
FOR OTHERS AREA 9612009063, 7628094160
DELIVERY WITHIN 3 DAYS
MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING UPTO : 27/10/2020
VALID FROM : 26/10/2020
STOCK= 306
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS. 1.DILIP - 9612883295 (MOIRANG A/C). 2. AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3. AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C). BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING--8 AM TO 12 NOON
IMPHAL LPG SERVICE
Home Delivery
Booking : 03/12/20
Summit house no. LPG ID no Address with land mark also digital transaction and online payment encouraged
5.kg 19.kg available
Enquiry numbers 6009392991 8014389420, 9612718751
Enquiry time 8.30 to 1.pm
Please do not contact drive and handy man except office no i.e. office no
M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-27/11/2020
Valid from-28/10/2020
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM
RBD INDANE SERVICE
Booking upto:-02/11/2020
Valid from :- 18/10/2020
Stock :- 415
All Customers are Home Delivery
Working hours 7:30 AM-12 Noon(Numit khudinggi phone touba yagani Suti nattana /Every Day Except Holiday)
Contact no. 7629947172 and 7629947182 for Refill order and Enquiry
(Delivery within 4 days)
HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 19/10/2020
BOOKING UPTO: 23/10/2020
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY: 9436280866
TIMING: 8:00AM to 12:00PM
MANIPUR GAS SERVICE
Booking up to : 07/11/2020
Valid from 19/10/2020
Home Delivery Only....
Contact no: 8730954041, 8259969582
Office Timing:8 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAY

হায় কোর্টনা থা অমগী মনুংদা গীতাজেনগী রিপ্রজেন্টেশন দিস্পোজ তৌনবা রেস্পোন্দেন্টশিংদা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ (ঐচএনএস): হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস অহন্থেম বিমোলনা পীখিবা ওর্দর অমদা মণিপুর পীপল্স পার্টি (এম পি পি)গী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন)নি হায়বা হাওবিজম গীতাজেন মৈতৈনা ওক্টোবর ৭, ২০২০ দা মণিপুরগী দিরেক্টর ওফ পুলিস (দি জি পি), দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল (দি আই জি), রেঞ্জ-১ অমসুং এস পি ইম্ফাল ৱেষ্টতা পীশিনখিবা রিপ্রজেন্টেসন (নম্বর-০৬৫ এ/এম পি পি.জি এস/এ দি এম, দি.জি. ২০২০) অদু কোর্ট অসিনা মমাঙ থাগী ১৮দা পীখিবা ওর্দর অসি ফংবা নুমিত্তগী পারগা থা অমগী মনুংদা দিস্পোজ তৌনবা এস পি, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং সিটি পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জ (ও সি)দা দিরেক্সন পীখ্রে।

ওক্টোবর ৭, ২০২০গী রিপ্রজেন্টেসন অসিগা লোয়ননা মথংগী নুমিৎ ওক্টোবর ৮দা চীফ মিনিষ্টরনা এস পি ইম্ফাল ৱেষ্টতা রেকম্মেন্দ তৌখি হায়বা চেরোল অমগা পূন্না দিস্পোজ তৌবীয়ু হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা সিভিল রিট পিটিসন অমগী ৱায়েলদা ওর্দর অসি জষ্টিস অহন্থেম বিমোলনা পীখিবনি। হায় কোর্টতা ফাইল তৌরক্লিবা রিট পিটিসন অসিগী নম্বর-৫৪৮ ওফ ২০২০নি। মসিগী পিটিস্নরশিংনা হায় কোর্টতা হৌজিক এম পি পিগী ৱর্কিং প্রসিদেন্টনি হায়রিবা ময়েংবম অমুতোম্বী (৬০) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম গুনো, ময়েংলমজাও মখা লৈকায় (ৱাইখোং), পার্টি অসিগী ভাইস প্রসিদেন্টনি হায়রিবা খুরাই পুথিবা লৈকায়দগী য়ুম্নাম ভিম (৮০) অপোকপা লৈখিদ্রবা ৱাই কুল্ল অমসুং ওক্টোবর ৭, ২০২০ দা দিস্পোজ তৌবীয়ু হায়রিবা রিপ্রজেন্টেসন অসিবু পীশিনখিবা এম পি পিগী হৌজিক জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) ওইরিবনি হায়বা হাওবিজম গীতাজেন (৩৮) অপোকপা ঐচ লুখোই মৈতৈনি।

পিটিস্নর অহুমগী পিটিসন অসিনা ওফিসিএল রেস্পোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লক্লিবনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদা স্পেসল সেক্রেটরি (হোম), দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি), মণিপুর, এস পি ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং সিটি পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জনি। অদুগা পিটিসন অসিগী প্রাইভেট রেস্পোন্দেন্টনা ৱাঙ্গৈ এ সিগী তোপ সিফাই থোংখোঙ লক্ষ্মি বজারদগী ওইনাম জুগিন্দ্রো (৬৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা ও জুগেশ্বরনি।

পিটিস্নরশিংনা মণিপুর লৈঙাক অমসুং ওফিসিএল অহুম অমদি লন্নাই মীওই অমগী মথক্তা ফাইল তৌরক্লিবা কেস অসি জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী বেঞ্চনা মমাঙ থাগী ১৮দা দিস্পোজ তৌখিবনি। কোর্টনা মেট্রর অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা সিনিয়র কাওন্সেল নামৈরাকপম জোতেন্দ্রো লেপখি। অদুগা ওফিসিএল রেস্পোন্দেন্ট মরিগী মায়কৈদনা এদভোকেট জেনরেল নাওরেম কুমারজিৎনা লেপখি। পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাওন্সেলনা কোর্টতা তৌখিবা সবমিসনশিংদা করিগুম্বা কোর্ট অসিনা মণিপুর পীপল্স পার্টি (এম পি পি)গী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন)গী মায়কৈদগী ওক্টোবর ৭, ২০২০দা সবমিট তৌখিবা রিপ্রজেন্টেসন অদু মরী লৈনবা ওথোরিটিশিং অসিনা খন্নদুনা ওর্দর অমা ইস্যু তৌদুনা দিস্পোজ তৌহনবীরবদি পিটিস্নরশিংগী মনিং থুংগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি। এদভোকেট জেনরেলনসু অসিগুম্বা দিরেক্সন অমা পীবদা ওবজেক্সন তৌরকপা লৈতে হায়খি।

কোর্টনা নাকল অনীগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা ওক্টোবর ৭, ২০২০দা পীশিনখি হায়রিবা রিপ্রজেন্টেসন অসি কোর্ট অসিগী ওর্দর অসি ফংবা নুমিত্তগী পারগা থা অমগী মনুংদা ওর্দর অমা ইস্যু তৌদুনা দিস্পোজ তৌনবা দি জি পি মণিপুর অমসুং এস পি ইম্ফাল ৱেষ্টতা দিরেক্সন পীখিবগা লোয়ননা সিভিল রিট পিটিসন অসি নুমিৎ অসিদা দিস্পোজ তৌখি।

অদুম ওইনমক, হায় কোর্টনা মমাঙ থাগী ১৮দা সিভিল রিট পিটিসন অসি দিস্পোজ তৌরদুনা পীখিবা ওর্দর অসি ঙসি ফাওবদদি মরী লৈনরিবা পিটিসন অসিগী রেস্পোন্দেন্ট অনীগী মায়কৈদগী থবক্তা ওন্থোরকপা লৈত্রি হায়রি।

আই এম এ মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ (ঐচএনএস): মোদর্ন এলোপেথিক মেদিসিনগী দোমেনদা লৈরিবা সর্জরি তৌবগী থবকপু নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা থোকখিবা ওর্দর অমনা অয়ুর্বেদিক পোষ্ট গ্রেজুএটশিংদা পাঙথোকহনগনি হায়খিবগী মায়োক্তা ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিএসন (আই এম এ) মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা পূং অনীগী প্রোটেষ্ট দেমোন্সট্রেসন অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা দেমোন্সট্রেসন অদু নুমিৎয়ুংবা পূং ১২ তারকপদগী হৌরগা নুংথিলগী পূং ২ ফাওবা চথুখি। আই এম এ মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট ডা: শ্যামকুমার লাইশ্রম অমসুং ওনররি ষ্টেট সেক্রেটরি ডা: এনজি অরুনকুমারনা পূন্না খৃৎয়েক পীদুনা থোরকখিবা চেরোল অমনা হায়বদা ঙসিগী প্রোটেষ্ট দেমোন্সট্রেসন অদুবু রিজনেল ইন্সটিটুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী টীচর্স এন্দ মেদিকেল ওফিসর এসোসিয়েসন, জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)কী টীচর্স এসোসিয়েসন অমসুং আই এম এগী ব্রাঞ্চ অসিগী রুমেন দোক্টর্স ৱিংনা শৌগৎখি হায়রি।

লোয়ননা ঙসিগী প্রোটেষ্ট অসিদা শিজ হোস্পিটাল, ববিনা দাইগনোষ্টিক, ইম্ফাল হোস্পিটাল, পদ্মা দাইগনোষ্টিক সেন্টর, পব্লিক হোস্পিটাল, জিবন হোস্পিটাল (ককচিং), এস সি এম ঈ ফর্টিলিটি এন্দ হেল্থকেয়র সেন্টর, সি এম সি কোইরেঙ্গৈ, এসিয়ন হোস্পিটাল, এদভান্স হোস্পিটাল, রেমেদি হোস্পিটাল, মাদর্স ক্যের চিলদ্রেন হোস্পিটাল এন্দ রিসর্চ সেন্টর, ইম্ফাল হার্ট ইন্সটিট্যুট অমসুং মাইপাকপী হোস্পিটালনসু শরুক য়াখি হায়রি।

শুমাঙ লীলা কাওন্সিলনা ফেষ্টিভল ওফ নেরেটিভ আর্টস পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ (ঐচএনএস): মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাওন্সিলগী মখাদা হাংলিবা একাদেমি ওফ মোইরাং পর্বগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা আর্ট ফোর্ম হায়বদি পেনা ফমশক, খোংজোম পর্ব, মোইরাং সাই (মোইরাং মৈতে ঈশৈ) অমদি খুনুং ঈশৈ হায়রিবশিংসিদা নুপা অমসুং নুপীগী কাঙলুপতা চাংদম্নবা পাঙথোক্লগনি হায়না শুমাঙ লীলা কাওন্সিলগী লাইফ টাইম সেক্রেটরি সৌগ্রাকপম হেমন্তনা ফোঙদোকখ্রে।

কেশ এৱর্দ কয়া থমদুনা পাঙথোক্কদবা ফেষ্টিভল ওফ নেরেটিভ আর্টস অসি চৎলিবা চৈচৎ দিসেম্বর ১৯দগী নুমিৎ তরুক্কি চুপ্পা দিসেম্বর ২৪ ফাওবা রাজ্য সভাগী এম পি ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা হৌদোক্কনি হায়খি।

অকুপ্পা মরোল পেলেস কম্পাওন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙ্গলেনদগী খঙ্গলবা য়াগনি হায়না লাইফ টাইম সেক্রেটরি সৌগ্রাকপম হেমন্তনা ফোঙদোরক্লি। পাউগী মীফম অদুদা কাওন্সিলগী জেনরেল সেক্রেটরি য়ুম্নাম নিলচন্দ্র, পিঐচ গুনচন্দ্র শর্মা, লাইফ টাইম প্রসিদেন্ট, ঠীএটর সেন্টর মণিপুরগী প্রজেক্ট পদ্মশ্রী নব ৱারেপ্পা অমদি ক্ষেত্রি জুগিন্দ্রো ঠীএটর দিরেক্টরনচিংবনা শরুক য়াখি।

ত্রোংলাওবীগী এন্টি-দ্রগ সেলনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): এন্টি দ্রগ সেল ত্রোংলাওবীনা হৌখিবা ওক্টোবর ২৪দগী হৌদুনা ময়াই কাবা চীঙাক্কী মায়োক্তা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা চত্থরকখিবা দ্রাইভতা দ্রগ শীজিন্নবা মীওই ২০৪ ফাগৎলবা মতুংদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা ৱাখল তামিন্নরবা মতুংদা মীওইশিং অদু অমুক্না লম্বীদা পুৱক্নবগীমক তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিংদা থমদুনা লায়েং চত্থরি হায়না এন্টি দ্রগ সেল ত্রোংলাওবীগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ময়াই কাবা দ্রগকী মায়োক্তা চত্থরিবা দ্রাইভ অসিদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী এস পি প্রিয়াদর্শিনি লাইশ্রম, মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী ও সী আর কে অনিলকুমার অমসুং ফৌগাকচাও ইখাই পুলিস ষ্টেসনগী ও সী রাজেন অমদি ষ্টেসন অসিগী জুনিয়র ওফিসরশিংনা মতেং পাংবীদুনা মপুং ফাহনবগীদমকসু এন্টি দ্রগ সেল ত্রোংলাওবী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মখা তানা ময়াই কাবা দ্রগকী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা দ্রাইভশিংদসু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি মীয়াম্না মতেং পাংবীরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থমজরি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

দোক্তরশিংগী ট্রান্সফর, পোষ্টিংদা শেঞ্জা...

লামায় ১গী মখা... অসি মণিপুরদসু থেংনরি। অৱাৎপা দোক্টর মশীং হাপচিনবা নৎত্রগা হাপচিন্দবা হায়বদুনা তোঙানবা ৱাফম অমা ওইখ্রগা মণিপুর হেল্থ সর্ভিসেসকী লৈজরিবা দোক্টর খরা অসি ষ্টেট অসিদা লৈরিবা হেল্থ সেন্টরশিংদা মথৌ তাবা দোক্টর মশীংগী মতুংইন্না চাং মান্ননা য়েম্থোক্তুনা পোষ্টিং পীরবদি দোক্টর ৱাৎপগী অৱাবসি খরমখৈদি ফংগনি। অদুবু মীওই খরগী ইন্টরেষ্টতা চত্থবা মানবা মওংদা থবক খরা কোম্না মফমদনা দোক্টর মশীং খরা হেন্না লৈবা, অদুগা খরা হেন্না ৱাগদবা নৎত্রগা খুদোং চাদবা মফমদনা দোক্টরগী মশীং কা হেন্না ৱাৎনা লৈবগী থৌওং অসিনা অনা-লায়েংগী থবক্তা খুদোংচাদবা কয়া চাউনা মায়োক্লহন্নবগী মচাক ওইরে। ফিভম অসি য়েংলুরগদি হেল্থ দিরেক্টোরেট অসি শেঞ্জা-থুমজাগী মকোল ওইরব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে। থৌওং অসিনা মরম ওইরগা পুকচেল শেংনা মথৌ পাঙথোক্লিবা দোক্টর কয়াদা চাউনা নিংহন্নবা পোকহন্নবগী মচাক অমা ওইরে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর হেল্থ সর্ভিসেসকী মেদিকেল ওফিসর অমনা ফোঙদোরকপদা, মণিপুরদা দোক্টর ৱাৎপগী খুদোংচাদবা চাউনা মায়োক্লরি হায়বসি মীপুম খুদিংমক্লা খঙনরবা ৱাফম অমনি। ফিভম অসি খঙনা খঙনা অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিং অসি মায়োক্লরবসু থবক তৌগনি হায়না মশানা য়ানা থবক চঙলক্লবা দোক্টরশিংনা মফম অমা হেক্তদা পোষ্টিং পীরকপদা হরাউনা লৌফম থোকই। য়াম্না খুদোংচাদবা অখন্নবা মরম লৈরবশিংগীনা ৱাফম অমা ওইখ্রগা পীরক্লিবা পোষ্টিং মফম অদুদা অনা-লায়েংগী থবক নীংথিনা তৌবা ঙম্নবা হোৎনফম থোকই। অচৌবা হোস্পিটালশিংদগী য়াম্না লাপ্পা লৈবা মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদনা হেল্থ সেন্টরশিংগী থৌদাং অসি হেন্না চাউই। মরম অদুনা লৈঙাক্লসু অসিগুম্বা মফমশিং অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই। অচৌবা হোস্পিটালশিংগা নক্লনা লৈবা হেল্থ সেন্টরশিংদা দোক্টরগী মশীং খরা হন্থজরবসু মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদদি দোক্টর, নর্স, পেরামিদিক ষ্টাফশিং অমদি অতৈ মথৌ তাবা খুৎশু খুৎলায়শিং মতীক চানা থম্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই। অসিগুম্বা মফমদা থবক তৌবদা খুদোংচানবগীদমক ষ্টাফশিংগী ক্বার্টর মতীক চানা থম্নীবা হায়বসিসু য়াম্না তঙাইফদবা অমনি। মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদদি নুংতিগী থবক চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া লৈ। অদুগা মীয়াম্নসু লায়েংবা লাকপা মতমদা ও পি দিগী মতম হায়বা অমগা ইমর্জেন্সি হায়বা অমগা লৈরিবা অসিগী ৱাহন্থোক মুন্না খম্থহন্নিংই। ও পি দি মতমদা লায়েংবা লাকপা য়াবা অনাবা অদুনা ইমর্জেন্সি মতমদা লাকশিন্দুনা তশেংনা ইমর্জেন্সিগী পুখৎলক্লিবা অনাবা অদু লায়েংবগী থবক্তা অকায়বা পীবা ওইনা থোকপগী ফিভম কয়া অমসু য়াওরি হায়নসু দোক্টর অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

হেল্থ সেন্টরশিংদা লৈফম থোকপা দোক্টর মশীং শুনা লৈতবনা মরম ওইরগা অনা-লায়েংগী থবক থৌরমশিংদা চাউনা অকায়বা থোকহনবগী মতাংদসু লন্নাই মীওই অমদি লূপ কয়ানা পাউ-চেশিংগী খুথাংদা পেন্দবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখিবা লৈখ্রে। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক্তগী মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা হেল্থ সেন্টরশিংদা অৱাৎপা কয়া লৈবনা মরম ওইরগা অনাবা পুখৎলকপা মতমদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। অনৌবা লৈঙাক অসিনা লাকপদা হেল্থ অমদি এদ্যুকেসন সেক্টরদা অহেনবা মীৎয়েং চঙলগা থবক পায়খৎকনি, হেল্থ সেক্টরগী হান্না লৈরম্লিবা ফিভম অসিদগী ফংগৎহনগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা অমা মীয়ামদা পীখিবনি। অদুবু মীয়ামদা পীপ্রিবা থাজবা অদুগী ওন্ন-তৈনবদা হান্না লৈরম্না হেল্থ সেক্টরগী ফিভম অদুদগী হৌজিক্লা ফংগৎলে হায়বগী খুদম অমত্তা উবা ফংদে। চীংগী য়াম্না মনুং হঞ্জিনবা মফমদদি লায়রদনা তম্পাক্কী মফমশিংদা ফাওবা হেল্থ সেক্টরদা অদুক্কী মতীক শোৎথরি। লৈঙাক্লা মীয়ামদা পীখিবা থাজবশিং থবক্তা ওন্থোকহন্নিংই হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলদা শুংলৈ লৈতবা ইন্সটিট্যুট অমগী মিংদা...

লামায় ১গী মখা... হায়দুনা মীওইশিং অসিনা লৌখি হায়রি। অদুবু পিটিস্নরগী মচানুপী অসি কুমজা ২০০১দা সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেশন, ন্যু দেল্লিনা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া সেকেন্দরি স্কুল এগজামিনেসন্দা ক্লাস টেন পাস তৌরকখি। অদুবু পিটিস্নরগী মচানুপীনা এগজামিনেসন অসি পাস তৌরকপগী সর্টিফিকেটতদি মহাক ৱেষ্ট বেঙ্গলগী হায় পাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা হুগ্লি দিষ্ট্রিক্টকী পানিসেওলে ইন্দিরা স্রিমিতি বিদ্যপিতকী মহৈরোয় অমা ওইনা হায়রিবা এগজামিনেসন অসি পাস তৌবনি হায়বগী সর্টিফিকেট ফংলকখি। মহাক্লা এদমিসন তৌখিবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী পুরুলিয়া দিষ্ট্রিক্টকী হুরাদা লৈবা ফ্রী প্রোগ্রেস একাদেমিগী মহৈরোয় অমা ওইনা সর্টিফিকেট ফংলকখিদে হায়রি।

পিটিস্নরগী অনীশুবা অঙাং ওইরিবা মচানুপা অদুসু হায়রিবা এগজামিনেসন অসিদগী কুমজা ২০০২দা ক্লাস টেন পাস তৌরকখি হায়রি। মহাকসু ফ্রী প্রোগ্রেস একাদেমিগী মহৈরোয় অমা ওইনা পাস তৌরকপগী মহুৎতা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী বঙ্কুরা দিষ্ট্রিক্টকী রামকৃষ্ণ নগরদা লৈবা সত্যনরায়ণ একাদেমিগী মহৈরোয় অমা ওইনা পাস তৌরকখি হায়রি।

অনীশুবা অঙাং অসিগী ক্লাস টেনগী আইদেন্টিটি কার্দতফাওবা ফ্রী প্রোগ্রেস একাদেমি হায়রিবা শাশিন্নবা ইন্সটিট্যুট অসিগী মিংদা পীরকখিবনি হায়রি। পিটিস্নরগী অহুমশুবা অঙাং অসিসু ফ্রী প্রোগ্রেস একাদেমি হায়রিবা ইন্সটিট্যুট অসিদা মিং চন্দুনা তমহনখ্রবা মতুংদা মহাক্কী ক্লাস আইটকী সর্টিফিকেটতনা ফ্রী প্রোগ্রেস একাদেমি সেন্টর নম্বর-২ (কোন্থৌজম), ইম্ফাল ৱেষ্ট হায়দুনা পীরকখিবনি হায়রি। থৌওংশিং অসিদা চিংনবা পোক্লবা পিটিস্নরগী মায়কৈদগী মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টর ওফ এদ্যুকেসন (স্কুল্স)কী খূথাংদা ফ্রী প্রোগ্রেস একাদেমি হায়রিবা মহৈশঙ অসি ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লৈব্রা, মসিবু ৱেষ্ট বেঙ্গল লৈঙাক্লা রিকগনাইজ নৎত্রগা রেজিষ্টর তৌব্রা হায়দুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী দিষ্ট্রিক্ট ইন্সপেক্টর ওফ স্কুল্স, সেকেন্দরি এদ্যুকেসনদা জুলাই ২৮, ২০০৩দা অইবা চেরোল অমা থাদুনা হংখি হায়রি। অদুবু চেরোল অসিগী পাউখুমদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মরী লৈনবা ওথোরিটি অসিনা মখোয়গী ষ্টেটতা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট নৎত্রগা মখোয়গী লৈঙাক্লা শকখঙবা/রেজিষ্টর তৌবা ফ্রী প্রোগ্রেস একাদেমি কৌবা ইন্সটিট্যুট অমত্তা লৈতে হায়দুনা খঙহল্লকখিবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক, নমথাক তৌরক্লিবা মীওইশিং অসিগী মায়কৈদগী হৌখিবা কুমজা ২০০২ ফাওবদা মখোয়গী শাশিন্নবা ফ্রী প্রোগ্রেস একাদেমি হায়রিবা ইন্সটিট্যুট অসিদা মহৈরোয় ৯৮ এদমিসন তৌরকখি। অদুগা মখোয়গী মনুংদগী ১৮না ক্লাস টেন পাস তৌবা ঙমখ্রে হায়দুনা মরৈ য়েৎলকখি হায়রি। মরম অসিদগী পিটিস্নরনা কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনদা ৱাকৎপদগী পুলিসনা কেস এফ আই আর নম্বর-৩০ (৭) ২০০৪ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি হায়রি। অদুবু কেস অসিগী মতাংদা মতম অদুগী সেসন জজ মণিপুর ইষ্টনা ক্রিমিনেল রিভিজন কেস নম্বর-৭ ওফ ২০০৮গা মরী লৈননা জুলাই ২৮, ২০০৯দা পীখিবা ওর্দর অমদা জুদিসিএল মেজিষ্ট্রেট ফর্ষ্ট ক্লাস ইম্ফাল ৱেষ্টনা ক্রিমিনেল মিসেলিনস (ফাইনেল রিপোর্ট) কেস নম্বর-৬৯ ওফ ২০০৭ অমসুং ক্রিমিনেল মিসেলিনস কেস নম্বর-১২২ ওফ ২০০৭তা মার্চ৬, ২০০৮দা পীখিবা ওর্দর অদু কনফর্ম তৌখিবনি হায়রি।

মরম অসিদগী পিটিস্নর কোন্থৌজম পাকাগী মায়কৈদগী মতম অদুগী সেসন জজ, মণিপুর ইষ্টনা জুলাই ২৯, ২০০৯দা পীখিবা ওর্দর অদুবু চেলেঞ্জ তৌরদুনা ক্রিমিনেল পিটিসন নম্বর-৬ ওফ ২০০৯ অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবনি। লোয়ননা কেস অসি কোর্টনা লৌখৎতুনা মসিগী ৱায়েলশিং থেংখাং নাইনা চত্থরক্লবা মতুংদা অমুক হন্না য়ৈথোক্তনা মসিগী অরোইবা হীয়ারিং জানুৱারি ২০, ২০২১দা পাঙথোক্লবা লেপখ্রে।

য়াম্লবা দ্রগ অমদি নোংমৈগা কোন্ননা ৬ ফারে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ (ঐচএনএস): অসাম রাইফল্স, পুলিস অমদি নার্কোটিক কন্ট্রোল ব্যুরো (এন সি বি)গী অপূনবা টীম অমনা ঙরাং অয়ূক মোরেগী বোর্দর টাওনদা তোঙান তোঙানবা মফম অনীদা ওপরেসন চত্থবদা দ্রগ লল্লোনবা অমদি নোংমৈ স্মগ্লিং তৌবা য়াওনা মীওই তরুক ফারে।

অসাম রাইফল্সকী চেরোল অমগী মতুং ইন্না ঙরাং অয়ূক মণিপুরগী বোর্দর টাওন মোরেগী মফম অনীদা চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী থিবা হুম্বা চত্থবদা ময়াই কাবা দ্রগ লুপা ক্রোর ১৬৫, ম্যান্মারনা শাবা নোংমৈ অমদি মরূগা কোন্ননা ম্যান্মার মচা অনী অমদি ইন্দিয়া মচা মরি য়াওনা ফারে। মখোয় নোর্থ ইষ্ট লালহৌবশিংগী পোৎ পুথোক পুশিন তৌবা মীওই ঙাক্তনি।

অমরোমদা, ঙসি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লারোং খুমোলদা অমদি চান্দেলগী লোন্নবদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা ম্যান্মারদগী সাইকলদা লাকপা মীওই অনী ফারে। মখোয়দগী ব্রাওন সুগর লুপা ক্রোর ২.৭২ রোম ওইগদবা পোৎলম ফাখি।

ফারবা মীওইশিং অদু চান্দেল পুলিসতা মখা তানা থীগৎনবা খূৎশিন্নখ্রে। হৌজিক দ্রগ এদিক্সন সেন্টর মশীং হেনগৎলকপগা লোয়ননা পুলিস অমদি অসাম রাইফল্সকী কাঙবুনা দ্রগ লল্লোনবশিং ফাগত্তুনা লাকশিন্নবা কন্না হোৎনরি।

অম্বানা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ (ঐচএনএস): সিনিয়র এদভোকেট লাইশ্রম নন্দকুমারনা থা অসিগী ৬তা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ওল মণিপুর বার এসোসিয়েশন (অম্বা)না অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা ঙসি উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা এসোসিএসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

অয়ূক পূং ১১.৩০ তারকপদা পাঙথোকখিবা কোন্দোলেন্স মীটিং অদু অম্বাগী প্রসিদেন্ট মাইবম নিলাচন্দ্র, এদভোকেটনা প্রিসাইদ তৌখি। অম্বাগী মেম্বরশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অদুনা লৈখিদ্রবগী ইকায়খুম্নবা উৎতুনা মিনিট ২ তূমীন্না লৈখি। লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না মপুগী মনাক্তা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবা থৌনিখি।

ঙসিগী মীফম্না লৈখিদ্রবগী ইমুংনা মায়োক্লহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াবগা লোয়ননা কোন্দোলেন্স মীটিং অসিগী প্রোসিদিংশিং লৈখিদ্রবগী ইমুংদা য়ৌহনবা হায়নসু ৱারেপ্পখি। লোয়ননা ঙসি পাঙথোক্লিবা কোন্দোলেন্স মীটিং অসিগা মরী লৈননা কোর্টশিংনা মখোয়গী কেসশিং অয়ূক পূং ১১ তারকপদগী পাস ওভর তৌবীনবসু অম্বাগী মায়কৈদগী হায়জখি।

থৌ পুবা খনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ (ঐচএনএস) : অখিল ভারতিয়া হিন্দ ক্রান্তি পার্টি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট এম ধান্দবিরনা থোকপা চেরোল অমনা পার্টি অসিগী নৌনা থৌ পুনবা য়ুথ ফ্রন্ট এ বি ঐচ কে পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট অমদি সেক্রেটরি খনখ্রে। নৌনা থৌ পুনবা ওদর থোকখ্রবা মীওই অনী অদুদি য়ুথ ফ্রন্ট এ বি ঐচ কে পি মণিপুরগী প্রসিদেন্টদা ওইনাম কৈথেল মখাদগী ওইনাম অমরজিৎ অমদি জেনরেল সেক্রেটরিনা য়ুম্নাম খুমন মনিং লৈকায়দগী ঙাঙোম রাকেশনি।

হায় কোর্টনা অৱাবা ...

লামায় ১গী মখা... সোভানি অমসুং এসিষ্টেন্ট সোলিসিটর জেনরেল এস সুরেশনা অৱাবা ফোঙদোকপা থৌরম অসিগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙখি।

লৈখিদ্রবা জষ্টিস হাওবম কামিনিকুমার কুমজা ১৯৬১দা ঈৱিং খৃষ্টান কোলেজ (এল্লাহবাদ) দগী ইংলিশ লিটরেচরদা আর্টসতা গ্রেজুএট পাস তৌরকখিবনি। কুমজা ১৯৬৩ অমসুং ১৯৬৫ দনা এল্লাহবাদ য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা এম এ অমসুং এল এল বি দিগ্রী পাস তৌরকখি। অদুগা কুমজা ১৯৬৬কী ফেব্রুৱারি ১৫দা বার কাওন্সিল ওফ অসাম, নাগালেণ্ড, মণিপুরনচিংবদা এদভোকেট ওইনা এনরোল তৌখিবনি। চহী ১০ হেন্না মণিপুরগী কোর্ট জুদিসল কমিস্নর অমসুং গুৱাহাটি হায় কোর্টতা প্রাক্টিস তৌরমখি। মণিপুরগী এল এম এস লো কোলেজদসু পার্ট টাইম লেকচরর ওইনা চহী ৪ থবক তৌরমখি। মসিগী মতুংদা কুমজা ১৯৭৬তা মণিপুর জুদিসল সর্ভিসতা চঙদ্রিঙৈ মমাঙদা এদিসনল পব্লিক প্রোজিক্যুটর (এ পি পি) ওইনসু থবক তৌরমখি।

লোয়ননা মহাক্কী সর্ভিস মতমদা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, সব-ওর্দিনেট এন্দ এসিষ্টেন্ট সেসন জজ, এম এ সি টিগী প্রিসাইদিং ওফিসর, দিজিগনেটেদ জজ (ৱাই এ দি এ), প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্ট, এন দি এন্দ পি এস এক্ট, ইসেন্সিএল কম্মোদিটিজ এক্টনচিংবগী স্পেশল জজ, দিষ্ট্রিক্ট ফোরম ওফ কঞ্জুমর প্রোটেক্সন এক্টকী প্রসিদেন্ট অমসুং গুৱাহাটি হায় কোর্ট ইম্ফাল বেঞ্চকী রেজিষ্ট্রারসু ওইরমখি। মসিগী মতুংদা কুমজা ১৯৯৬কী ফেব্রুৱারি ২৬তা গুৱাহাটি হায় কোর্টকী এদিসনল জজ ওইনা ৱাশক লৌরবা মতুং জুন ২৬, ১৯৯৭তগী পর্মনেন্ট জজ ওইখি। অদুগা সেপ্টেম্বর ১, ২০০৩দগী গুৱাহাটি হায় কোর্টকী জজ ওইবদগী পোথাখি হায়রি।

রিজাইন তৌখ্রবা এক্স এম এল এ ৩...

লামায় ১গী মখা... নুমিৎয়ুংবা মতমদা কোর্ট অসিদা পাঙথোকখিবনা মরম ওইরদুনা ঙসিগী ওইনা কোর্ট অসিগী বেঞ্চশিংদা লিষ্ট কেসশিং এদজোর্ন তৌখিবদা হায়রিবা কেস ৩ অসিসু য়াওখিবনি।

পনবা য়াবদি, কেসশিং অদু এক্স-এম এল এ সামুএল জেন্দাই, টি থাংজালম হাওকিপ অমসুং সোইবম সুভাসচন্দ্রনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলিগী স্পীকর, সেক্রেটরি অমসুং অতোপ্পা মীওইশিংবু রেস্পান্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লগা মখোয়গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি। কেসশিং অদুগী নম্বরশিংনা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর-৩৯৬ ওফ ২০২০, ৩৮৭ ওফ ২০২০ অমসুং ৪৩৩ ওফ ২০২০নি। কেসশিং অসিগী পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা সিনিয়র কাওন্সেল ঐচএস পাওনম, কাওন্সেল দা: আর কে দিপক অমসুং সিনিয়র কাওন্সেল মাইবম হেমচন্দ্রনা লেপ্লিবনি।

মীওই ২ লৈখিদ্রে, ১৭১না...

লামায় ১গী মখা... জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই খূদিংমক মণিপুরগী মপান্দা চৎলুদবা ঙাক্তনি। মীওইশিং অসিগী মথৌ তাবা মেদিকেল চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে। নৌনা থেংনখিবা কেসশিং অসি থারগা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং ২৬,৩৯৬ শুরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৩,২০৭ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩১৮৯ নি। পোজিটিভ ওইরম্বদগী ফগৎলক্লবা কেস মশীংনা ২৩,১৬৬ শুরে। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২০,২৪৮ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ২৯১৮ নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৮৭.৭৬ নি। অদুগা কেস ২৯১৯ না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ ওইরিবশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ২৬৫২ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২৬৭ নি। মীওই ১৬৯না নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রে। লোয়ননা মীওই ৮৩২ হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট ওইনা লাউথোকখিবা চহী মরি...

লামায় ১গী মখা... পায়খৎহন্নিংবগী অপাম্বা মীয়াম্না পাউচে অসিগী খূথাংদা পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

মীওইবনা হিংনবা য়াম্নমক মরু ওইবা অনা-লায়েংবগী লম্দসু অদুম্মক দিষ্ট্রিক্ট ৭ অসি শোৎথদুনা লৈরি। দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল কয়া হাংদোক্লবসু জিরিবামগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা দোক্টর মতিক চানা লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লদুনা লৈবনা অৱাৎপা দোক্টর থাবীরকউ হায়না খোঙজং চঙশিনখিবসু লৈখ্রে। ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনদি কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর (সি ঐচ সি) ককচিং অসি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা ওনখৎখিবগী মওংদা সাইনবোর্দশিংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল (দি ঐচ) হায়না ইবসু য়াওরি, সি ঐচ সি ইবসু য়াওরি। করম্বনা চুল্লিবনো হায়বা অদু মীচম মীয়ামদা চম্মবা অমদি অদুম্মক পোকহল্লি। দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা অপগ্রেদ তৌরে হায়বগী নোটিফিকেসননচিংবা লৈঙাক অসিনা থোকখিবদি হৌজিক ফাওবদা লৈখিদ্রি। সি ঐচ সি ককচিং অসিদা লৈগদবা দোক্টরগী মশীং ফাওবা শুনা লৈত্রি। হোস্পিটাল অসিগী এম্বুলেন্স ফাওবা লৈত্রি। দিষ্ট্রিক্ট ওইরবনিনা চীফ মেদিকেল ওফিসরগী পোষ্টতি লৈরি।

দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা লৈফম থোকপা ৱায়েলশঙশিংসু দিষ্ট্রিক্ট ৭ অসিগী ওইনা অমত্তা লৈত্রি। নৌনা খায়দোক্লবা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিনা হান্না পুল্লম্বা দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরসশিংদা অদুম্মক পুন্না লৈহন্দুনা ৱায়েলগী থবকশিং চত্থরি। দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিস, দিষ্ট্রিক্ট রুরেল দিভলপমেন্ট এজেন্সি (দি আর দি এ), দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিস, দিষ্ট্রিক্ট ফোরেষ্ট ওফিসরনচিংবগী ওফিস কয়া লৈতবনা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ৭কী মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া অমদি হৌজিক হৌজিকসু মায়োক্লদুনা লৈরি। লৈঙাক অসিনা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ অসিদা য়াম্নমক মরু ওইবা অমসুং মথৌ তাদুনা লৈরবা ওফিসশিংদি পোষ্ট ক্রীএট তৌদুনা থম্নীবা মথৌ তারে। খরা তপ্না শেমগৎ-শাগৎপা য়াবা ওফিসশিংনা তপ্না তপ্না শেমগৎ শাগৎলবসু মীয়ামগী খুদোংচাবা য়েংলগা তঙাইফদবা ওফিস কয়াদি হাংহন্নিংই। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা দিষ্ট্রিক্ট ৭ অসিগী হাংবীদনা লৈরিবা মরুওইবা লোয়শঙশিং অসি হাংদোকপীননবা অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই হায়নসু দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী মীওই কয়ানা ফোঙদোক্লরক্লি।

মালেমদা অহানবা ওইনা ফাইজর...

লামায় ১গী মখা... কোভিদ-১৯ গী মায়োক্তা ভেক্সিনেসন তৌবা অহানবা মীশক ওইহনবীবদা নুংঙাইবা পোকই হায়না ভেক্সিন কাপ্পা মতমদা কীনাননা ফোঙদোকখি। মহাক ফোটোগ্রাফর অমসুং টিভি ক্রু অমগী মমাঙদা ফিলিপিন্সতগী হৌরকখিবা নর্স অমনা ভেক্সিন অদু কাপখি। মসিনা খ্বায়দগী ফবা বার্থদে প্রজেক্ট ওইবা য়াই। মসিনা ঐহাকপু চহী চুপ্পা নাইতোম ওইনা লৈরুরবা মতুংদা ন্যু য়রদা ইমুংগী মীওইশিং অমসুং মরূপ মপাংশিংগা লোয়নবা য়াহল্লগনি হায়না কীনাননা মখা তাখি।

মরূপ মপাংশিংনা মেগি হায়না মিংথোনবা কীনান জেল্লর দুকানগী এসিষ্টেন্ট অমা ওইনা থবক তৌরম্মী। মহাক শুপ্নগী চহী মরিগী মমাংদা থবক্তগী পোথাখি। মহাক্কী মচানুপী অমা, মচানুপা অমা অমসুং মশু মরি লৈ। ভিদিও ফুটেজদা মহাক লাইট ব্লু মাস্ক অমা উপখি, ৱাওথাংনবা কার্দিগান অমগা লোয়ননা 'মেরি খৃষ্টমাস' হায়বা মেসেজ ইবা ব্লু টি-সার্ট অমা লীৎখি। মহাক্কী ওইৎথংবা পাম্লোমদা নর্স মে পার্সন্সনা ভেক্সিন অদু কাপখি। মালেমগী মফম কয়াদগী লাক্লগা বৃটেনগী নেস্নেল হেল্থ সার্ভিস (এন ঐচ এস) তা থবক তৌবা মীওই লীশিং কয়াগী মনুংদা অমা ওইরিবা পার্সন্সনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা থা খরা অসি অদুক্কী মতিক ৱাবা ওইখি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি ইম্যুনাইজেসন হৌরবনিনা অৱাবা কোল্লগনি।

বৃটেন অসি কোভিদ-১৯ না খ্বায়দগী হেন্না ফীভম থীনা শোকহল্লবা য়ুরোপকী লৈবাকনি। হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা লৈবাক অসিগী মীওই ৬১,০০০ হেন্না শিহনখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস নৎত্রগা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদগী হান্না ফাইজর বাইওএনটেক্কী ভেক্সিন শীজিন্নদুনা লাইচৎ অসি লাকশিনবা ঙম্লগনি হায়না থাজরি।